# অল-শবাবনা হোটেলদা এটেক তৌবদা মীওই ১৬ শিরে, ৫৫ শোক্লে



মোগাদিসু, জুন ০২ (এজেন্সী) :

মোগাদিসুগী ময়াই চবুকমক্তদা লৈবা হোটেল অমদা চথুখিবা কার বোম অমসুং নোংমৈগী এটেক্তা য়ামদ্রবা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং ৫৫না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না সোমালি ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদসু ঙরাং মখা তানা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবা ফংখি হায়রি।

অল কাইদাগা মরী লৈনবা অল-শবাব ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা হোটেল এম্বেসেদরদা চথুখিবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। এটেক অদুদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা লোমেকর অনী য়াওই হায়রি।

“হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী মীওই ১৬ শিরে হায়না কনফর্ম তৌরে। মখোয় অয়াম্বা মীচম ঙাক্তনি অমসুং অতৈ মীওই ৫৫না এটেক অদুদা অশোক-অপন নংখি” হায়না পুলিস ওফিসর অমা ওইরিবা মেজর নুর মোহমদনা ঙরাং রোইটর্জদা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, হোটেল অদুদা নেংমৈ কাপ্পগী মখোল লেপখ্রে। “বিল্ডিং অদুগী রুফ টোপ অদু খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না ঐখোয়না থাজে। অহানবা ফ্লোরদগী মরিশুবা ফ্লোর ফাওবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মনুংদা লৈখ্রে।”

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হোটেল মনাক্কী মরু ওইবা লম্বী অয়াম্বা ব্লোক তৌশিনখ্রে।

রোইটর্জগী ৱিটনেসশিংনা হায়খি, য়াম্না চাওনা অমাঙ-অতা থোক্লিবা মথোল মঙাগী বিল্ডিং অদুদা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি।

মখোয় মখোয়গী নুংশিজবা মীওইশিং থিখিবা, মরী-মতাশিংনা হোস্পিটালশিং অমসুং হোটেল অদুদা পুনখি। মীওই খরদি হোটেল অদুদগী থোকপা য়াদনা লৈ হায়না থাজনৈ। রোইটর্জগী ৱিটনেস অমনা মঙাশুবা ফ্লোরদগী মীওই অমনা “ঐহাকপু রেস্ক্যু তৌবীয়ু” হায়না কপ্পগী মখোল তাখি।

অফ্রিকন য়ুনিয়ন পিছকিপিং ফোর্স অমিসোমনা কুমজা ২০১১দা অল-শবাবপু মোগাদিসুদগী তকথোকখি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসি সোমালিয়াদা মখা তানা মরু ওইবা থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি। মখোয়না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টবু চীংথুনবগী পান্দমদা এটেক কয়া তোয়না চথুখি। অল-শবাবনা কেনিয়া অমসুং য়ুগন্দাদসু শাথিরবা এটেক কয়া চথুদুনা লাকখি। লৈবাক অনী অসিদা সোমালিয়াদা লৈবা অফ্রিকন য়ুনিয়নগী পিছকিপিং ফোর্সতা ত্রুপশিং কন্ট্রিব্যুট তৌরিবনি।

# ফালুজাগী লাল : ইরাক্কী লান্মী ১৩০ আই এস আই এলগী এটেকশিংদা শিরে

বাঘদাদ, জুন ০২ (এজেন্সী) :

অনবর প্রোভিন্সকী ফালুজা সিটিগী মনাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক অমসুং লেভন্ট গ্রুপ (আই এস আই এল)না এটেক কয়া পরিং ওইনা চথুদুনা য়ামদ্রবদা ইরাকি লান্মী ১৩০ হাৎখ্রে।

অহানবা এটেক অদু য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা আই এস আই এল হায়নসু খঙনবা আই এস আই এলগী সুইসাইদ বোম্মর ১০না কুবাইসা টাউনদা চথুখি। মখোয়না অহানবা এটেক অদুগী মতুংদা মনাক নকপা অল সেজর খুঙ্গংদা থোমজিনখি অমসুং মদুগী মতুংদা ফালুজাগী মখা থংবদা লৈবা অমিরিয়াট অল-ফালুজাদা লম্বীগী নাকলশিংদা বোমশিং পোকখায়হন্দুনা আর্মি কনভোই অমদা এটেক তৌখি হায়না মিলিটরি সোর্ছশিংনা অল জাজিরাদা ফোঙদোকখি।

বাঘদাদকী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোমদমক লাপ্না লৈবা ফালুজা সিটিবু নৌনা লৌশিন্নবগী পান্দমদা চয়োল ১ হেন্না ওপরেসন চথরক্লবা মতুংদা ইরাকি ফোর্সশিংনা সিটি অদুগী ময়াইদা চঙশিনবা ঙমদ্রি। ইরাকি ফোর্সশিং অদুদা মিলিটরি, পুলিস অমসুং সিয়া য়ুনিটশিং য়াওখি অমসুং য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসনগী এয়র পৱারনা ইরাকি ফোর্সশিংবু শৌগৎখি।

ফালুজা ওপরেসন অপুম্বগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল অব্দেলৱাহেব অল সাদিনা অল জাজিরাদা হায়খি মদুদি, ইরাকি আর্মিনা সিটি অদুদা চঙশিনবদা খরা তপ্পগা লোয়ননা মখোয় হৌজিক ফালুজাগী চিদাইদা লৈরি।

“ঐখোয় হৌজিক নাইমিয়া দিষ্ট্রিক্টতা লৈরি অমসুং ওপরেসনশিং চথুরি অমসুং ফালুজাগী ময়াইদা চঙশিনবগী থবকসু মখা তানা চথুরি” হায়না মহাক্না হায়খি।



ইরাকি গভর্ণমেন্টনা সিটি মনুংদা চঙশিনবদা থিন্থরিবদু আই এস আই এলনা হ্যুমেনসিল্ডশিং শীজিন্নবা অমসুং সিভিল্যনশিংবু সিটি অদুদগী থোকপদা অথিংবা পীবদগীনি হায়না ফোঙদোকখি।

“মীচমশিংবু ঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয়গী প্লানগী ফাউন্দেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরমদ্রবদি লাল অদু য়াম্না থুনা লোইশিনবা য়ারমগনি” হায়না ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ফোঙদোকখি।

মে ২২ অমসুং ২৩দা ওপরেসন হৌখিঙৈদগী ইরাকি কম্মান্দরশিংনা আস এস আই এলগী ফাইটর দজন কয়ামুক হাৎলে হায়না ক্লেম তৌখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ওইবা মীশি-মীনাগী ফিগরশিংদি ফোঙদোকখিদে।

অদুম ওইনমক, ইরাক্কী মশীং য়াম্বা সিয়ানা মখোয়গী অশিবশিং ফুম্নরিবা নাজাফ ভেলিদা তাবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর অমনা এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, মখোয়না ফাইটর ৭০ রোম নৎত্রগা মসিদগী খরা হেন্না শিবগী পাউ ফংখি।

বাশরাদা ওফিসলশিংনা হায়খি, সাউদর্ন প্রোভিন্সতা হশেদ অল-সাবি অমব্রেলা গ্রুপকী সিয়া য়ুনিটশিংদগী ফাইটর ২৫ শিখি। মেদিকশিংনসু ফালুজাগী লালদা মীওই কয়া অশোক-অ-পন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। হৌখিবা নিংথৌকাবদগী বাঘদাদকী হোস্পিটাল অনীনা অশোকপা মীওই ৯৭ পুরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ফালুজাগী ওপরেসন অদু মীওইবগী পূন্সিদা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফীভম অমদা চথরকখি। মীচম লীশিং কয়া আই এস আই এলগী ফাইটরশিং অমসুং ইরাকি আর্মিগী মরক্তা লাংদা থুবগুম্না লেংথোক লেংজিন য়াদনা লৈরি।

হৌখিবা শগোলশেন ফাওবদা মীচম ৫০,০০০ সিটিদুগী ময়াইদা ঈশিং অমসুং চাননবা পোৎলমশিং ইয়াও য়াওদনা লৈখি। হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদগী হৌজিক ফাওবদা ফালুজাদা তেংবাঙগী পোৎলম অমত্তা য়ৌদবগা লোয়ননা মীশিংনা অকংবা উহৈ-ৱাহৈ, য়ুফ্রেটিজ তুরেলগী অনৈবা ঈশিং অমসুং শাগী মচীঞ্জাকশিং চারগা হিংলি হায়রি।

# কায়খিবা ইজিপ্ট এয়রপ্লেনগী ব্লেক বোক্সতগীনি হায়না থাজবা সিগ্নেলশিং ফ্রেঞ্চ সিপনা দিতেক্ট তৌখ্রে

কাইরো, জুন ০২ (এজেন্সী) :

মেদিটরিনিয়নদা থীবা হুম্বগী থবক চথরিবা ফ্রেঞ্চ সিপ অমনা গ্রীককী ক্রেট ঈথৎ অমসুং ইজিপস্যন কোষ্টকী মরক্তা লৈরিবা ঈশিংগী শরুক্তা মাঙখিবা ইজিপ্ট এয়র ফ্লাইট অমগী ব্লেক বোক্সকী সিগ্নেলশিং ফংখিবগা লোয়ননা এরয়ক্রাফট অদু করম্না ঈশিংদা তাশিনখিবনো হায়বগী মতাংদা খঙবদা ৱাবা ফীভম অমা লৈরম্বদু সোল্ব তৌবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

পনবা য়াই, হৌখিবা থাদা মিদিটরিনিয়ন সিদা থোকখিবা ইজিপস্যন প্লেনগী ক্রাস অদুদা মদুদা তোংখিবা মীওই ৬৬মক শিখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশদা দিটেক্ট তৌখিবা সিগ্নেলশিং অদুনা সার্চ টিমশিংবু প্লেনগী অকায়-অতোয়শিং, ফ্লাইটকী দেটা অমসুং কোকপিট ভোইস রেকোর্দরশিং লৈরিবা মফম অদুবু ফংহনবদা মতেং পাংগনি অমসুং করিগুম্বা পোৎশকশিং অদু অমাঙ-অতা থোক্তবা ফীভমদা ফংবা তারবদি দিজাষ্টর অদু মেকানিকেলগী অশোয়বনা নৎত্রগা হাইজেকিং নৎত্রগা বোম অমনা থোকহনখিব্রা হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি।

কাইরোদগী পেরিসতা চৎপগী লম্বীদা রাদরগী স্কৃনদগী উবা ফংখিদবা ফ্লাইট ৮০৪ কী অকায়-অতোয় মকুপ মতা খরগা মীওইবগী হকচাংগী মচেৎ খরদমক প্লেন অদু উখিদবা মতুং চয়োল অনীরোম অসিদা কায়খিবা মফমদগী ফংবা ঙমখি।

টেররিষ্ট গ্রুপ অমত্তনা থৌদোক অদু মখোয়না থোকহনবনি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈত্রিবা ওইরবসু ইজিপ্টসকী সিবিল এভিয়েসন মিনিষ্টর শেরিফ ফামিনদি ইক্বিপমেন্ট ফেল ওইবা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মাঙ-তাকপগী থৌদোকশিংদগী টেররিজমনা হেন্না থৌদোক্তু থোকহন্নিঙাই মরম ওই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

দিজাষ্টর অদু এক্সিদেন্ট অমদগীরা নৎত্রগা অতম্না চথুখিবা থৌওং অমনা থোকহনখিব্রা হায়বদু লেপ্পদা ফ্লাইট রেকোর্দরশিংদু য়াম্না মরু ওই। য়াম্না ফবা মখলগী ঈশিং মনুগী সেন্সরশিং য়াওরবা ফ্রেঞ্চ ভেসেল লেপলেসনা হৌখিবা চয়োলদগী মাঙখিবা এয়রবস এ ৩২০ থীবগী থবক্তা য়াওশিল্লকখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশদা ক্রাস অদুগী ইনক্বারি অদুবু লূচিংলিবা ইজিপস্যন এজেন্সীনা হায়খি মদুদি, সিপ অদুনা অকায়-অতোয় থিরিবা এরিয়া অদুগী ঈশিং খোংনুংদগী দেটা রেকোর্দরশিংদুগী মনুংদগী অমদগীনি হায়না থাজবা সিগ্নেলশিং ফংখি।

মদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা ফ্রেঞ্চ কম্পেনি অল সীমরনা সিপ অদুদা য়াওখিবা মখোয়গী ইক্বিপমেন্টনা ব্লেক বোক্স রিকোর্দরশিংদুগী মনুংদগী অমদগী সিগ্নেলশিং দিটেক্ট তৌরে হায়না কনফর্ম তৌখি।

কম্পেনিনা হায়খি মদুদি, নেভেল ভেসেল অদুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুমিৎয়ুংবা মতমদগী সিগ্নেলশিংদু থিবগী থবক হৌখিবনি অমসুং ফ্লাইট এম এস ৮০৪গী রেকোর্দরশিংগী মনুংদগী অমগী সিগ্নেলশিং ফংবদা পুং ২৪ ফানা চঙখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা কম্পেনি অদুনা প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্সতগী লাকপা সিগ্নেলশিং করম্না খঙলিবনো হায়বদুদি ফোঙদোকখি।

# চাইনাগী ষ্টিল্থ ফাইটর সার্বিস চঙদ্রি



বৈজিং, জুন ০২ (এজেন্সী) :

চাইনানা লৈবাক অসিগী অহানবা ষ্টিল্থ ফাইটর জে-২০ হৌজিকসু চাংয়েং তৌরি। তৌইগুম্বসুং ৱারপ্লেন অদু অথুবা মতমগী মনুংদা সার্বিস চঙলগনি হায়না এয়র ফোর্সনা লাউথোকখ্রে। ৱাফমসি চাইনাসু এক্টিভ ফ্লিটতা য়াওবা লৈবাক অমা ওইরে হায়বা উৎপা পিকচর কয়া চাইনিজ মিদিয়ানা চাইথোকখ্রবা মতুংদা ফোঙদোরক্লিবনি।

জে-২০ ষ্টিল্থ ফাইটরনা লৈবাক অদুগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা লৈরিবা মিলিটরি গেপ পীকশিনহনবদা মতেং পাংলগনি হায়না চাইনানা থাজরি। এয়রক্রাফট অদুগী অহানবা চাংয়েং ফ্লাইট অদু কুমজা ২০১১দা মতমদুগী য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি রোবার্ট গেটসনা বৈজিংদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমগা চান্নখি হায়বা ৱাফমসু লৈবাক অসিনা কনফর্ম তৌখ্রে।

এনালিষ্ট খরনা জে-২০গী ফোটোগ্রাফশিংদুনা চাইনানা লোকহিদ মার্টিনগী রাদারনা ফাবা ঙমদবা এফ-২২ রাফটরগী লম্বা অমা পুথোকপগী প্রোগ্রেস হান্না পানখিবা মতমদগী হেন্না থুজিল্লে হায়বা উৎপা ওইরম্বা য়াই হায়না মোত পীরি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা চাইনাগী এয়র ফোর্সনা জে-২০ এয়রক্রাফট ট্রেনিং এক্সরসাইজশিং উখি হায়বা রিপোর্টশিং অদু থাজনিঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা শন্দোকখিবা ষ্টেট টেলিভিজন ব্রোদকাষ্ট অমদা মীওই খরনা এয়রক্রাফটনি হায়না লৌনবা ময়েক শেংদবা পিচর খরবু অয়েংবা খরনা এয়রক্রাফটনি হায়না লৌনখিবদগী ট্রেনিং এক্সরসাইজশিংদা জে-২০ য়াওবগী রিপোর্টশিংদু লাকখিবনি হায়রি।

“হৌজিক হৌজিকমক জে-২০ অসি এয়র ফোর্সকী সার্বিসতা চঙহন্নবগীদমক্তা ইক্বিপমেন্ট খরা চঙলি” হায়না এয়রফোর্সনা মসিগী ওফিসল মাইক্রোব্লোগতা ঙরাং ফোঙদোকখি। জে-২০ অমসুং অতোপ্পা অনৌবা এয়রক্রাফট ৱাই-২০ ট্রান্সপোর্টর অনীমক হান্নগী থৌরাংগী মতুং ইন্না পাইদুনা চাংয়েং তৌরি হায়না এয়র ফোর্সনা ফোঙদোকখি।

# ‘দ্রোন এটেকশিংবু কন্দেম তৌবা হায়বসি পীকমল্লবা ৱাহৈনি’



ইস্লামাবাদ, জুন ০২ (এজেন্সী) :

বেলোচিষ্টানদা য়ু এসনা দ্রোন এটেক চথুখিববু হকচিন্না লৌবা উৎলদুনা পাকিস্তানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সী ও এ এস) জেনরেল রাহিল শরিফনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, দ্রোন এটেকশিংগীদমক্তা কন্দেমদমক তৌবা হায়বসি য়াম্না পীক্লবা ৱাহৈ অমখক্লি, মরমদি ষ্ট্রাইকশিং অদুনা লৈবাক অসিগী সোভরন্টিবু খোঙ্গাউনৈ অমসুং ইস্যু অসি চুনবা ফোরম অমদা পুখৎলগনি।

“পাকিস্তানগী টেরটরি মনুংদা দ্রোন এটেকশিং চথবা হায়বসি কন্দেম তৌনিঙাই ওই অমসুং লৈবাক্কী সোভরন্টিগী মায়োক্তনি” হায়না প্রসিদেন্টনা ৱা ঙাঙবা লোইরবা মতুংদা জেনরেল রাহিলনা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা মিদিয়াগী মীওইশিংদা ওফিসল ওইদনা হায়খি।

দ্রোন এটেকশিং খাংদুনা লৈথোক্লি ঙাই ওইদে হায়না সী ও এ এসনা য়াম্না ময়েক শেংলবা মেসেজ অমা পীখ্রে অমসুং এটেকশিং অদুনা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা পীগনি।

“কন্দেম তৌবা হায়বসি দ্রোন এটেক্কী ওইনদি তশেংনমক অপীকপা ৱাহৈ অমনি” হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ অসি টেররিজমগী মায়োক্তা চাউনা মায় পাকপা চহী অমনি হায়নসু আর্মি চীফ অদুনা ফোঙদোকখি। “ওপরেসন জার্ব-ঈ-অজব চহী অসিগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়না ঐহাক্না মাঙজৌননা থাজবা পীদুনা থবক তৌরক্লি” হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্না টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাল অদু চহী অসিদা লোইশিনগনি হায়খিবা মতমদা কনামত্তনা মহাকপু থাজখিদে।

লোবিদা লৈরিঙৈদুদা আর্মি চীফনা পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংদা তেন্না ঙাঙখি অমসুং লৈবাক অদুগী টেররিজম থেংনবগী থৌনাবু থাগৎখি। মহাক্না জে য়ু আই-এফকী চীফ মৌলানা ফাজলুর রেহমনবুসু লোবিদা উনখি। মহাক্না সিনেটকী চ্যেরমেন রাজা ৱাবানি, নেসনল এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর মুর্তাজা জবেদ অবাসি অমসুং অতৈ পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিং য়াওনা পোলিটিস্যন কয়াবুসু উনখি।

আর্মি চীফনা মিদিয়াগী মীওইশিংদা হায়খি মদুদি, টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাল মায়থিবগী ৱাফম লৈতে। ওপরেসন জার্ব-ঈ-অজব য়াম্না মায় পাক্লা চঙশিল্লি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, টেররিষ্ট চাদা ৯৯ হাৎখ্রে অমসুং লেমহৌরিবা চাদা ১ অমসু তৌফম থোকপশিং তৌরগনি। “টেররিজম মাঙহন্নবগী রিসোর্ছশিংদা মীৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈ” হায়না মহাক্না হায়খি।

জেনরেল রাহিলনা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা মহাক্না টর্কিদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা পাকিস্তান আর্মিনা টেররিজমগী মায়োক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিংবু থাগৎলকখি। টর্কিদা মহাক্না মল্টিনেসনল মিলিটরি এক্সরসাইজশিংসু য়েংখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, আর্মদ ফোর্সশিংনা তকখায়খিবা মফমশিংদা টেররিজম অমুক হন্না হল্লকহল্লোই। “ঐখোয়না ট্রাইবেল এরিয়াশিংগী মীয়ামদা টেররিষ্টশিং মখোয়গী এরিয়াশিং অদুদা অমুক হন্না হল্লক্লরোই হায়না থাজবা পীখ্রে। নোর্থ অমসুং সাউথ ৱারিরিষ্টানদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

আর্মি চীফনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা লৈবাক মনুংদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লরবা (আই দি পি) মীওই অপুম্বগী চাদা ৫৬ মখোয় মখোয়গী ময়ুমশিংদা হল্লকখ্রে। মহাক্না অয়ুক খূদিংগী টেবলদা লৈরিবা আই দি পিশিংগী ফাইলদু য়েংই হায়খি।

ফাটাদা লৈঙাক্কী সিষ্টেম লৈহনবা চঙই হায়না জেনরেল রাহিলনা হায়খি। তুংদা কোইনা ঈং-চিকপা হায়বসি খ্বাইদগী ৱাংবা প্রাইওরিটিনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।




HL-B/3040/20/05-19/06 June



HL-B/3061/18/04-17/05


# EMPLOYMENT NEWS

**SAINIK SCHOOL CHITTORGAH RECRUITMENT 2016 – 08 ASSISTANT MASTER, LOWER DIVISION CLERK & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 21 DAYS FROM THE DATE OF PUBLICATION**

**Sainik School Chittorgah Recruitment 2016**

Sainik School, Chittorgah Invites application for the post of 08 Assistant Master, Lower Division Clerk & Various Vacancies . Apply before 21 Days from the Date Of Publication.

**Job Details :**
**Post Name :** Assistant Master
**No of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs.4600/-
**Post Name :** Lower Division Clerk
**No of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Eligibility Criteria for Sainik School Chittorgah Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Assistant Master :** Graduate with History and any one subject out of Political Science/ Economics/ Sociology/Geography and B.Ed. with Social Science from a recognized university or Graduate with Hindi and B.Ed. with Hindi from a recognized university or Master Degree from a recognized University and Eductional Qualification as prescribed by CBSE.
**For Lower Division Clerk :** Matriculation with Typing speed at least 40 WPM on computer.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As on 01.07.2016
**For Assistant Master :** 21 to 35 years
**For Lower Division Clerk :** 18 to 50 years
**Job Location :** Chittorgarh (Rajasthan)
**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.400/- through Demand Draft in Favour of Principal, Sainik School, Chittorgarh” payable at Chittorgarh.
**How to Apply Sainik School Chittorgah Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of Educational certificates and Demand Draft Send to the Principal, Sainik School, Chittorgarh” payable at Chittorgarh on or Before 21 Days from the date of Publication.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application form :** 21 days from the date of Publication.
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.sschittorgarh.com/images/vacancy.pdf

**PUNJAB POLICE RECRUITMENT 2016 – 7416 CONSTABLE (MALE & FEMALE) VACANCIES – LAST DATE 21 JUNE**

**Punjab Police Recruitment 2016**

Punjab Police invites application for the posts of 7416 Constable (Male & Female) in the District Police Cadre and Armed Police Cadre, of Punjab Police. Apply Online before 21 June 2016.

**Advt. No. : 01/2016**
**Job Details :**
**Post Name :** Constable (Male & Female)
**No. of Vacancy :** 7416 Posts (6252 Posts for Male & 1164 Posts for Female)
**Pay Scale :** Rs. 10300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 3200/-
**Eligibility Criteria For Punjab Police Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 or its equivalent from a recognized Education Board/University, and the candidate must have passed Matriculation examination with Punjabi as one of the compulsory or elective subjects or any other equivalent examination in Punjabi language.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 28 years (as on 01.01.2016)
**Age Relaxation :**
**For SC/ST/BC Candidates :** 5 years
**For Ex-Servicemen :** 3 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be made on Physical Measurement Test (PMT), Physical Screening Test (PST), Interview-cum-Personalty Test, Substance Abuse (Drug Addiction) Test & Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates belonging to General have to pay Rs. 400/- & Rs. 100/- for SC/ST/BC candidates through Net Banking, Credit/Debit Card or Challan. Ex-Servicemen are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply Punjab Police Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.punjabpolicerecruitment.in/ from 31.05.2016 to 21.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 31..05.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date for Payment of Application Fee :** 23.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.punjabpolicerecruitment.in/PDFViwer.aspx?pdfFileName=Advertisement.pdf
**Apply Online :** http://www.punjabpolicerecruitment.in/RegistrationClerk.aspx

**MEGHALAYA POLICE RECRUITMENT 2016 – 1705 UB/AB SUB-INSPECTORS, UB/AB GROUP & FOLLOWER GROUP VACANCIES – LAST DATE 31 JULY**

**Meghalaya Police Recruitment 2016**

Meghalaya Police invites application for the post of 1705 UB/AB Sub-inspectors, UB/AB Group & Follower Group. Apply before 31 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** UB Sub Inspector
**No. of Vacancy :** 80 Posts
**Pay Scale :** Rs. 14100-27510/-
**Post Name :** AB Sub Inspector
**No. of Vacancy :** 20 Posts
**Pay Scale :** Rs. 14100-27510/-
**Post Name :** UB Group
**No. of Vacancy :** 631 Posts
**Pay Scale :** Rs. 8300-16270/-
**Post Name :** AB Group
**No. of Vacancy :** 929 Posts
**Pay Scale :** Rs. 8300-16270/-
**Post Name :** Follower Group
**No. of Vacancy :** 20 Posts
**Pay Scale :** Rs. 6500-12700/-
**Eligible Criteria for Meghalaya Police Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For UB/AB Sub Inspector :** Degree in any stream.
**For UB Group :** Class IX and 12th passed.
**For AB Group :** Class IX passed.
**For Follower Group :** Class V passed.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For UB/ AB Sub-inspector :** 22 to 27 years
**For UB Group & AB Group :** 18 to 21 years
**For Follower Group :** 18 to 27 years
**Age relaxation :**
**Scheduled Caste/Scheduled Tribe :** 5 years
**Job Location :** Meghalaya
**Selection Process :** Selection will be made on Physical Efficiency Test, Written Examination, Trade Test & Interview.
Application Form : Application form obtained from office of all district superintendent of police and commandants of MLP Battalions and Principal, PTS Mawroh, Shillong on Payment of Rs. 150/-.
**How to Apply Meghalaya Police Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send to the Office of the DG Prisons/ Addl Director General of Police, (TRG/ AP), cum Chairman, Central Recruitment Board (CRB), Meghalaya, Shillong on or before 31.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 31.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://megpolice.gov.in/Recruitments/2016/Adevertisement_for_recruitment_of_SI_ors_in_meghalaya_police.pdf